# অঙকপা কয়া থোরক্লি

## হেন্না ঙকপা কয়াশু লৈরমখিগনি

তেংবানবা অসিমক অঙকপগী মশক্লি। সাইন্টিষ্টশিংনা অসিগুম্বা অঙকপা অসিবু মশক মুন্না খঙদোকপা ঙম্নবা কয়া হোৎনৈ, অদুবু ময়েক শেংনা চপ চাবা মশক অদু মসিনি হায়না তাকপদি শুকঙম ঙমদে। লোইবা নাইদ্রবা অঙকপা কয়া মথং মথং চোংথোক্লক্তুনা হান্নগী হান্নগুম অঙকপগী ঈপাক্তা অদুম্মক ঈরাক্লে। অঙকপা মরক্তা মীওইবনা চঙক্লনা হিংনৈ। জগৎকি মায়া হায়বদুবু মসি ওইরিগদ্রা? অঙকপগা মায়াগা অনি অসি মরী লৈনফম থোকপরা? তেংবানবা মপুনা শান্নরিবা অঙকপনা থল্লবা খুৎশেমগী লিলা অসিদা মায়ানা করি থৌদাং লৌরি? তৌববুদি মপুগী লিলা হায়বসিমকশু লিলা অদু শান্নবগী নুংঙাইরবা মায়াগী ৱাখল অমা তেংবানবা মপুগী পুক্নিংদা লৈরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অদুনদি তাইবং মীওইবনা অঙকপনা থল্লবা মায়াগী লিলা মখল মখল শান্নরকপদা করিবু ঙক্লীংঙাই লৈবগে! পুম্নমক মহৌশাগী মহৌশানি। দিল্লিগী য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেশিভ এল্লাইন্স (য়ুপিএ) গভর্নমেন্ট লুচিংলিবা কংগ্রেস পার্টিনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আইএলপি) সিষ্টেম চৎনহন্নীংদবা উবদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি (এমপিসিসি)নশু কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী মিটিং, কেবীনেটকি মিটিং হায়দুনা অরে-অরা তৌরগা লৈবা, এগ্রীকচলর দিপার্টমেন্টতা ভোপাল গ্যাস ত্রেজেদিগী মতৌগুম্না মীশি-মীনা কয়া থোকহনবা য়াবা স্যানো গ্যাসনচিংবা সাইনাইদ য়াওবা তীল হীদাক কয়ামরুম মতম হেল্লবশু হেন্না পৈশিন্দুনা থম্বদগী য়ুথবা হৌরকপা, এড়ুকেশন মিনিষ্টর এম ওকেন সিংহনা অশুক নীংথীনা অরানবা কয়া চুমথোকপা হোৎনরিবা এডুকেশন দিপার্টমেন্টকি রাষ্ট্রিয়া মধ্যমিক শিক্ষাগী থবক পুম্নমক শর্ব্বনাশ শারে হায়বগুম্বা অমসুং থোংজু এশেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লুপা ২,৬১,১৬, ৮৯৩ চঙনা মেটর্নিটি এন্দ চাইল্ড হোস্পিতাল শাবদা মণিপুর সরকারগী অয়াবা য়াওরমদ্রে হায়বনচিংবা থৌদোকশিং অসিশু অঙকপগী মশক ঙাক্তনি। মীতোপ্পা লাঙ্গোই চনশিনবা হৌরক্লবা মণিপুরিশিংনা ঐখোয় পুম্নমক মালেমগী লৈমায় অসিদগী তুম্না কাঞ্জুল মুৎখিবা তারে, মরম অসিনা আইএলপি চৎনহনবরা করিনো অমত্তংদি তৌহৌশি হায়না মিপাই-থবাইনরবা খোল্লাউ অমা লাউনরকপদা মপি-মপা ওইরিবা মণিপুরগী কংগ্রেস সরকারনা সেন্টরদা শাসন তৌরিবা কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুপিএ সরকারগী য়াকা য়েংনা থবক তৌবা হায়বসি মণিপুরি পুম্নমক্তা মীতোপশিংগী মখা পোন্না হিংলকপা তারবশু থোইদোক্ল া ঙক্লীংঙাই ওইবা ৱাফম নত্তে। মরমদি চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা লুচিংবা মণিপুরগী কংগ্রেস সরকারনা দিল্লিদা শাসন তৌরিবা কংগ্রেস সরকারগী অপান্বগী মায়োক্তা ৱারেপ লৌবা হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না চাউরবা মায়া অমা ওইরিবা রাজগাদিগী শক্তি অমসুং ওইজ-ওইথক কয়াগা য়েন্মৌনগদবা থবক্লি। থোইদোক্লশু, অসিগুম্বা মায়াগী সংশার অসিদা লুপ্তুনা রাজভোগ চাবা ফংবগী নুংঙাইবা অদুতবু রাজনিতিৱালাশিংনা লাইনীং ওইনরিবনি। লন্নাইগী পুন্সিদা কোন্সেং ওইনা চন্না হিংজবা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ ফাওবদা রাজনিতিগী মায়ানা মকোক্তগী মতোন ফাওবদা মচু পুমশঙ শঙজীনখিবদগী মালেম অসিদা খ্বাইদগী হেন্না মমিং লৈরবা 'টাইম' মেগাজিনগী কভর ষ্টোরিদা 'অন্দর এচিভর'নি, থবক হৈতবা লুচিংবনি হায়না মরাল শীরি। অদুবু মেগাজিন অসিনা সিংহগী, কংগ্রেসপু হিংহন্নবগীদমক্তা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌরিবা কোলিয়েসন ধর্ম্মদা য়ুম্ফম ওইবা মায়াগী তেংবানবা অদুবুদি উনা উনা উশিন্নদ্রি। মদুগী মহুৎতা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা লৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইনা লায়রবা ইন্দিয়ানশিংগী অৱাবা কোকহনবা ঙমদ্রবদি মোরেল গ্রাউন্দদা মশাগী ফম থাদোকফম থোকই হায়না 'টাইম' না নাকোইননা ইঙ্গিৎ উৎলি। অসিগুম্বা ইশুশিং অসি মণিপুরদসু লেজিসলেটিভ এশেমব্লিগী মীফমদা ওপ্পোজিসন্না পুথোক্লকপা নত্রগা পাউচেশিংনা ফোঙদোক্লরকপা নত্তনা মীয়াম্না কয়া খঙনদে। লুরিবদি, অঙকপগী মশক ওইরবা রাজনিতিগী মায়া অমসুং থৌওং কয়ানা মীয়ামগী পুন্সি অমদি খুন্নাইগী শক্তমবু মতম পুম্বগী ওইনা মাঙহনখিনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরকপদা কনবীনবা কনাশু লৈতবগুম উরকপা অসিনি। অসিগুম্বা চিরবা তাঞ্জা অসিদা মীয়ামগী মিহুল মশক খঙনা থবক তৌবা ঙমদবা মণিপুরগী কংগ্রেস সরকার ফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ করিশু লৈতে। মীওইবগী পুন্সিদা মায়া য়াওদবা য়াদে। অদুবু ময়া অসিনা লাকশিনখ্রবদি খুদোংথীনিংঙাইগী মশক্লি।